সোসল সর্ভিস কেম্প

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৯ (ঐচএনএস): য়াওশং ফেষ্টিভেল মনুং মার্চ ৯ দগী ১৪ ফাওবা রেসিদেন্সিএল সোসল সর্ভিস কেম্প অমা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর ফুদ এন্দ মেদিসিনল প্লান্ট প্রোসেসিং এন্দ কোল্ড ষ্টোরেজ কোওপরেটিভ সোসাইটিগী মেনেজিং দিরেক্টর রাজেন কুমার রোংমৈনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, বোর্দ ওফ দিরেক্টরশিং অমদি সোসাইটি অসিগী মেম্বরশিংনা কেম্প অসিদা শরুক য়াবীয়ু। সোসাইটি অসিনা কেম্প অসিগীদমক চানবা পোৎলমশিং শীনগনি, ফিরোল অমদি তুম্নবগী পোৎলমশিংদি পার্টিসিপেন্টশিংনা পুজরক্কদবনি। থৱায় য়াওবা বোর্দ ওফ দিরেক্টরশিং অমদি সোসাইটিগী মেম্বরশিংনা কেম্প অসিগীদমক মার্চ ৭ ফাওবগী মনুংদা সোসাইটি অসিদা ওফিস মতমদা কন্টেক্ট তৌবীয়ু হায়রি।

হান্না চৎনরম্বা লেট্টর হেদ চৎনররোই:দেসাম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৯ (ঐচএনএস): দেম্মক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়ন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)গী ১০শুবা জেনরেল কনফরেন্স মোইরাং কোলেজদা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ২০২০-২২ ফাওবগী থৌ পুগদবা এগজিক্যুটিভ খনখিবনা কুমজা ২০১৮-২০ ফাওবদা থৌ পুরম্বা দেসাম হেদ ওফিসকী ওফিস বিয়াররশিং দিজোল্ব তৌখিবগা লোয়ননা দেসামগী হান্না চৎনরম্বা লেট্টর হেদ অমদি রিসিট ঙসিদগী চৎনররোই হায়না দেসামগী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা সেক্রেটরি রিশিকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। দেসামগী রিসিট হান্নগী সেক্রেটরি রোমেশকী খুৎয়েক চৎনরম্বা অদু ২০২০-২২গী থৌ পুনবগীদমক ফেব্রুৱারী ৯দা ৱাশক লৌখ্রমা দেসামগী সেক্রেটরি ফাইনান্স এন্দ একাউন্ট বিরজিৎ লুৱাংগী খুৎয়েক ওইনা চৎনরগনি হায়রি।

ৱাকোটফাই ভিলেজ ওথোরিটিনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৯ (ঐচএনএস): কুমজা ২০১৯দা থোকখিবা ঈশিং-ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্লখিবা ৱাকোটফাই খুলগী মীয়ামদা তেংবাং পোৎলমশিং পীবীরকপগীদমক ৱাকোটফাই ভিলেজ ওথোরিটিগী মায়কৈদগী কাংপোকপীগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং তুজাং ৱাইচোং সব-দিভিজনল ওফিসর (এস দি ও)বু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

খুল অসিগী ভিলেজ ওথোরিটিগী চীফ থাংজালম হংসিংনা ফোঙদোকখিবদা, থোকখিবা ঈশিং-ঈচাউ অদুনা তুজাং ৱাইচোং সব-দিভিজনগী মখাদা লৈবা লৌবুক কয়া ঈশিংনা নুমীৎ কয়ানি থুমজিনহনখিবনি। লোয়ননা খুল অসিগী য়ুম ২২দসু মসিগী অৱাবা মায়োক্লহনখিবনি। অদুম ওইনমক ফ্লদ ভিক্টিমশিং অসিগীদমক চেঙ ক্বিন্টন অমমম য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী পীবীরকখিববু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোরকখি। ঈশিং-ঈচার্ডগী অৱাবা মায়োক্লখ্রবশিংগীদমক খল্লগা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না তেংবাং পোৎলমশিং পীরকপা অসি অফবা খোঙথাংনি হায়রি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৯ (ঐচএনএস): থাংমৈবন্দ অপূনবা নুপী লূপ (থানিল)গী এক্স মেম্বর ওইবীরম্বী অমদি থাংমৈবন্দ ৱাথম লৈরক মৈরা পায়বীগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ওইবীরম্বী খুন্দ্রাকপম ওংবী শখিনা থা অসিগী ২৪দা মশাগী অনাবা অমদগী লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না থানিলগী জেনরেল সেক্রেটরি দল্লিয়ু থাইবেম্মানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থা অসিগী ২৬ কী অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবা মতমদা ইমা ইবেম্মা খুম্লোকহানবী শঙলেন্দা থানিলগী ভাইস প্রসিদেন্ট কবম্বম ওংবী আর কে মঙ্গিস্নানা প্রসিদেন্ট ওইবীদুনা মীফম অমা পাঙথোকখি। থানিল অমসুং ৱাথম লৈরক্কী মৈরা পায়বীশিংনা মিনট ২ তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। লৈখিদ্রবীগী থৱায় মীরেলনা মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবগীদমক্তা থৌনিজরি। লৈখিদ্রবীগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়নসু থানিলগী জেনরেল সেক্রেটরি দল্লিয়ু থাইবেম্মানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারি।

দিল্লিদা মীওই কয়াগী পুন্সি পীখম্নহল্লিবসি য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী অশোয়বনি:সীপিআই

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৯(ঐচ এন এস): দিল্লিদা মীওই কয়াগী পুন্সি পীখম্নহল্লিবসি য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী অশোয়বনি হায়না মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল সী পি আইগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি জয়কুমার লুৱাংনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, দিল্লিদা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্ট পায়রিবা কাঙবুগী মীওইশিংনা সী এ এগী এজিটেসন তৌরিবশিংবু মীহাৎ থীনা হাৎলিবসি কা হেনবা শাজৎনি হায়না লৌই। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিগী মখাদা লৈবা দিল্লি পুলিসকী মীওইশিংনা এজিটেটরশিংদা মখুৎতা খুৎলায় মতিক চানা পায়বা মীওইশিংনা খুৎ থারকপদা য়েংদুনা তুমীন্না লৈখি। মীওই ৩৮গী মথক্তা পুন্সি পীখম্ন হনখ্রবা মতুং মীওইচা কয়াগী হকচাং শোয়নাইরবা মতুংদা পুলিসনা মথৌ তৌরকখি। পুলিসকী মথৌ নীংথিনা তৌদে হায়না কম্মেন্ট তৌরুবা দিল্লি হায় কোর্টকী জজ ফাওবা ট্রান্সফর থাদুনা এক্সন লৌরিবা অসি সী পি আইনা অঙকপা পোকই। মীয়ামগী পেন্দবনা ইন্দিয়া শীনবা থুংনা হৌরিবা ঈহৌ অসি নাথৈনবা অমেরিকাগী মীয়াম্না য়ানদ্রবা অমদি এপিজমেন্ট প্রোসিদিং চথুখ্রবা মাস্টর ত্রম্প লাকপদা লৈঙাক অসিনা ওক্লি। মসিমক ইন্দিয়াগী লায়রবা কয়াগী চাকখাও থদৎপনি হায়না লৌই। সী পি আইনা মিষ্টর ত্রম্প লাকপদা বোয়কোট তৌখি।

মতম অমদা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টে ওইরম্বা কে আর নরায়ননা য়ু এস প্রসিদেন্ট ক্লিন্টন লাকপা মতমদা ইন্দিয়াগী লো এন্দ ওর্দর থুগায়বা লাকপনি হায়খিবদু নীংশিংফম থোকই। তশেংনমক মীচম মীয়াম্বু ৱাখল তাহন্দনা ওকহনখিবদু ইন্দিয়া মচাশিং লায়র তালহন্নবনি হায়না সী পি আইনা লৌই। সেন্টরনা শেন্দোং লৈনা থবক তৌরিবা পব্লিক সেক্তর ইষ্টাব্লিসমেন্টশিং য়োন্নবা থৌরাং চঙশিল্লক্লিবা অসি মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল সী পি আইনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙলি। লাইফ ইন্স্যুরেন্স কোর্পোরেসন, পেট্রোলিয়ম কোর্পোরেসন লিমিটেদ, ইন্দিয়ন রেলৱেজনচিংবা মীয়াম্না চহী কয়া চুপ্পা তুংশিঞ্জরক্লবা লন-থুম পৈরিবা সেক্তরশিং অসি য়োনবা হৌরক্লে। মসিনা মরম ওইদুনা মীচম মীয়ামদা অকিবা অমা ফাওহল্লে। এল আই সীদা মীচম মীয়াম্না থমজিনবা শেনফম কয়া মাঙখ্রগদ্রা হায়বগী নুংনাংবা ফাওনরক্লে। এল আই সী মুত্থৎলগা লন্নাই শেঞ্জাও পায়বশিংদা য়োম্থোকখিবা হায়বসি লন্নাই কম্পেনিশিংদা খুদোংচাবা পীনবা হোৎনরকপনি। মীয়ামগী য়াম্লবা লনশিং অদু লন্নাই শেঞ্জাও পায়বশিংদা লেম্না পীথোকখিবগুম্বনি। খুদম অমদা মসিমক সনাগী মরুম কোকপী কাংঙাশিংবু হাৎতোকপগুম থোক্লগনি। কোর্পোরেটশিংগী টেক্স ১০০ গী মনুংদা ২২ কোকথোক্লি। মীচম মীয়ামদগীনা টেক্স কয়া খোমগৎনবা হোৎনরি। বেঙ্কশিং ষ্ট্রাইক চঙশিনহল্লিবা অসি মখোয়বু প্রাইভেটাইজ তৌবগী মায়োক্তনি। ষ্ট্রাইক অসি সী পি আইনা মপুং ফানা শৌগৎলি। পার্টি অসিনসু নেসনেলাইজ বেঙ্কশিংবু প্রাইভেটাইজ তৌবগী মায়োক্তা অকনবা খোঙজং চথুখিগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ওল মণিপুর শুমাং লীলা ফেষ্টিভেল

থম্মোয়গী মখোল প্লেনা বেষ্ট প্রদক্সন তাখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৯(ঐচ এন এস): ৪৮শুবা ওল মণিপুর শুমাং লীলা ফেষ্টিভেল ২০১৯-২০ নুপা কাঙলুপকী রিজল্ট লাউথোকখ্রে।

মকোক-মথং তারবশিংদি, বেষ্ট এক্টরদা লমজিংবা আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী চৈরাক তা তম্ফা/মালংবগী রোল লৌখিবা দেব, সেকেন্দ বেষ্ট এক্টরদা সনালৈপাক নাচোম আর্টিষ্টকী লৈকংলাদা থম্বাল প্লেদা চিংখৈগী রোল লৌখিবা ৱাই নিলাচন্দ্র, বেষ্ট এক্ট্রেসতা লমজিংবা আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী চৈরাক প্লেদা থাদোইগী রোল লৌখিবা এল বোই, সেকেন্দ বেষ্ট এক্ট্রেসতা সনালৈপাক নাচোম আর্টিষ্টকী লৈকংলাদা থম্বাল প্লেদা সিঙ্গারৈগী রোল লৌখিবা এল নরেশকুমার, বেষ্ট সপোর্টিং এক্টরদা লমজিংবা আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী চৈরাক প্লেদা লুৱাংগী রোল লৌখিবা হেমলেট, সেকেন্দ বেষ্ট সপোর্টিং এক্টরদা ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী নচা লাঞ্জরে ইমা প্লেদা তোমথিনগী রোল লৌখিবা এ সুরচন্দ্র, বেষ্ট সপোর্টিং এক্ট্রেসতা সঙাই আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী থম্মোয়গী মখোল প্লেদা সনাতোম্বীগী রোল লৌখিবা জগদিশ হিজম, সেকেন্দ বেষ্ট সপোর্টিং এক্ট্রেসতা পিছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী নুংশি লমন প্লেদা লাইস্নাগী রোল লৌখিবা ৱাই মিলন, বেষ্ট এক্টর ইন কোমিক রোলদা সঙাই আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী থম্মোয়গী মখোলদা ইকাইথিবীগী রোল লৌখিবা সুরজিৎ সাইখোম, সেকেন্দ বেষ্ট এক্টর ইন কোমিক রোলদা সনালৈপাক নাচোম আর্টিষ্টকী লৈকংলাদা থম্বাল প্লেদা মাইচৌ থম্বৌগী রোল লৌখিবা এস ঐচ হেমন্তা, বেষ্ট প্লে ব্লেক সিঙ্গর (মেল বোইস)তা মমি আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী খোংঙু নঙগী বাঁসি প্লেগী এন দিপু, সেকেন্দ বেষ্ট প্লে ব্লেক সিঙ্গল (মেল বোইস)তা সঙাই আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী থম্মোয়গী মখোল প্লেগী জেমস হৈক্রুজমনি।

বেষ্ট প্লে ব্লেক সিঙ্গর (ফিমেল ভোইস)তা সনালৈপাক নাচোম আর্টিষ্টকী লৈকংলাদা থম্বাল প্লেগী কে সনাতোম্বা, সেকেন্দ বেষ্ট প্লে ব্লেক সিঙ্গর (ফিমেল ভোইস)তা মমি আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী খোংঙু নঙগী বাঁসি প্লেগী কান্তা লৈশাংথেম, বেষ্ট লিরিসিষ্টতা পিছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী নুংশি লমন প্লেগী লৈপাক তিল্লে হায়বা সোংদা মনাওবি এম এম, সেকেন্দ বেষ্ট লিরিসিষ্টতা ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী নচা লাঞ্জরে ইমা প্লেগী পাউখুম ফংদ্রবা হায়বা ঈশৈদা এন তোম্বা, বেষ্ট ম্যুজিক দিরেক্টরদা সঙাই আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী থম্মোয়গী মখোল প্লেগী এ চাবি অমদি কে দীপক, সেকেন্দ বেষ্ট ম্যুজিক দিরেক্টরদা লমজিংবা আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী চৈরাক প্লেগী কি খুন্দ্রাকপমনি।

বেষ্ট স্ক্রিপ্টতা সঙাই আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী থম্মোয়গী মখোল স্ক্রিপ্টতা রঞ্জিৎ নিংথৌজা, সেকেন্দ বেষ্ট স্ক্রিপ্টতা সনালৈপাক নাচোম আর্টিষ্টকী লৈকংলাদা থম্বাল প্লেগী স্ক্রিপ্টতা ডা. ধনবির লাইশ্রম, বেষ্ট দিরেক্টরদা সঙাই আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী থম্মোয়গী মখোল প্লেদা ইবোয়াইমা খুমন, সেকেন্দ বেষ্ট দিরেক্টরদা সনালৈপাক নাচোম আর্টিষ্টকী লৈকংলাদা থম্বাল প্লেদা ও প্রফুলোচন্দ্রনি।

বেষ্ট প্রদক্সনদা সঙাই আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী থম্মোয়গী মখোল, সেকেন্দ বেষ্ট প্রদক্সনদা লমজিংবা আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী চৈরাক অমদি সনালৈপাক নাচোম আর্টিষ্টকী লৈকংলাদা থম্বাল, থর্দ বেষ্ট প্রদক্সনদা পিছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী নুংশি লমননা তাখ্রে হায়না মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা শীন্দুনা কোনুং মমাঙদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা চথুরকখিবা ৪৮শুবা ওল মণিপুর শুমাং লীলা ফেষ্টিভেলগী চাংদম্নবদা মকোক-মথং তারবা নুপা কাঙলুপকী লীলাগী তোঙান তোঙানবা কেটেগোরিশিং ঙসি লাউথোকখিবনি। লীলা এসোসিএসন কয়ানা শরুক য়াদুনা চথুরকখিবা শুমাং লীলা ফেষ্টিভেল অসিদা নুপী লীলা কাঙলুপ অমদি নুপা লীলা কাঙলুপকী ওইনা মথং-মনাও নাইনা চথুরকখিবনি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

ফ্যেরৱেল পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৯ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন্ট ইমপ্লোয়ী এসোসিএসন, লম্ফেলপাৎনা শীন্দুনা থবক্তগী পোথারবশিং ফ্যেরৱেল পীদুনা ঈকায় খুম্নবা থৌরম অমা লম্ফেলপাৎতা লৈবা এম আই ওফিসতা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা এম আইগী চীফ এঞ্জিনিয়র ঐচ ব্রজেন্দ্র, ঈ ঈ, টি ঐচ দয়ানন্দ, এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর রাজেন্দ্রো অমদি এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট সঞ্জিৎনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি। এম আই দিপার্টমেন্টকী থবক্তগী পোথারবশিংবু ঈকায় খুম্নবা উৎতুনা পাঙথোকপনি হায়না এসোসিএসনগী প্রসিদেন্টনা ফোঙদোকখি হায়রি।

এন্যুএল কম্যুনিটি কন্টেক্ট এন্দ এক্সটেন্সন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৯(ঐচ এন এস): ট্রেনিজ য়ুনিয়ন দি এম কোলেজ ওফ টিচরস এদ্যুকেসন, ইম্ফালনা শীন্দুনা এন্যুএল কম্যুনিটি কন্টেক্ট এন্দ এক্সটেন্সন প্রোগ্রাম অমা ঙসি লম্লোং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা দি এম সী টি ঈগী প্রিন্সিপাল ডা. ঐচ ইবোমচানা চীফ গেষ্ট, লম্লোং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল হিজম সোবিতানা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। প্রোগ্রাম ইন-চার্জ ডা. টি সুরেন্দ্রনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা ডা. ঐচ ইবোমচানা হায়খি, লম্লোং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা কম্যুনিটি কন্টেক্ট প্রোগ্রাম তৌরিবা অসি বি ঈ দি ট্রেনিশিংনা সর্ভিস টু কম্যুনিটি হায়বসি করম্না তৌগদগে হায়বদুদা মীৎয়েং থম্বনি। খুন্নাই অমা চাউখৎহনগে হায়রবদি ইশা-ইশা হান্না চাউখৎপা তাই। ইশা চাউখৎলবা তুংদা লৈকায় অমদি ষ্টেট মথং-মথং চাউখৎপা লাক্কদৌরিবনি। ট্রেনিশিং অসিদা ঐখোয়না পীরিবসি সর্ভিস টু দি কম্যুনিটি হায়বনি। ইশাগীদা খনবগী মহুৎ অতোপ্পগীসু খনবা তাই। হন্দক্কী প্রোগ্রাম অসিদা মরুওইবা কয়া উবা ফংই। মহৈরোয়শিং অসিসু য়াম্না নীংথিনা থবক তৌই। মসি য়াম্না অফবা খোঙথাং অমনি। মহৈরোয়শিংনা অফবা ৱাখল লৈবা তাই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

প্রোগ্রাম ইন-চার্জ ডা. টি সুরেন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, অসিগুম্বা প্রোগ্রাম অসিনা সিলেবসতা য়াওরিবা অমদি ওজা ওইবদা চঙবা মচাক কয়া অদু খঙহল্লি। স্কুলগা ওজাগা তৎন-থানবা য়াদে। মহৈরোয়শিং অমসুং ওজাশিংগী মরক্তা নীংথিনা মহৈ-মশিনগী লমদা মীৎয়েং থম্বা তাই। স্কুলগী কেম্পসসু লূ-নান্না থমগদবনি। লৈঙাক্কী স্কুলশিং শেমগৎতবা য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোনদা চঙশিল্লকপনি। ট্রেনি কয়ানা প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়ারি।

থৌরম অসিগী নীনি চনবদা হয়েং ওর্ফান হোমদা মতেং তৌগনি। স্কুল অসিগী মহৈরোয়শিংদা কান্নবা য়াবা টোক্ষ ওজাশিংনা ঙাংগনি। কলচরেল প্রোগ্রামসু পাঙথোক্কনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

তুংদা রিমেদি ওফ লর্নিং প্রোব্লেম হায়বা টোপিক্তা ডা. রাধাপ্রিয়ারিনা ৱা ঙাংগনি। রিমেদি ওফ এটেন্সন এমং ষ্টুদেন্টস হায়বা টোপিক্তা ডা. ধনেশ্বরীনা ৱা ঙাংগনি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

রিল্লে হঙ্গর ষ্ট্রাইক হৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৯ (ঐচএনএস): কাউন্সীল ওফ টিচরস এসোসিএসন (কোটা)গী লমজিং মখাদা ঙসিদগী জেদ ঈ ও জোন ৱানগী ওফিস মমাঙদা রিল্লে হঙ্গর ষ্ট্রাইক চঙশিনবা হৌখ্রে।

কোটাগী রেক্টিফিকেসন ওফ আর ও পি ২০১৯গী দিমান্দদা ঙসিদগী কোটানা খোয়াথোংদা লৈবা জেদ ঈ ও ওফিস মমাঙদা ষ্ট্রাইক অসি চঙশিনবা হৌখিবনি। কোটাগী ওজাশিংনা থা অসিগী ৬তগী লেপ্তুনা ৱাকৎ-মীফমনচিংবা চথুরকখিবনি। ৬শুবা পেগী অশোয়বদু শেমদোকপীয়ু হায়না লৈঙাক্তা কয়ারক হন্না তান্দুনা লৈরকখিবনি হায়নসু কোটাগী পব্লিসিটি কনভিনর গুনমনিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কোটানা তান্দুনা লাকপা দিমান্দশিং লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবীদবদগী খোঙজং মথং-মথং চথুরকপনি। আর ও পি ২০১৯ অসি জুলাইদা থোরকপনি। মসিদা পেন্নদবা ওজাশিংনা রিল্লে হঙ্গর ষ্ট্রাইক চথুরকপনি। লৈঙাক্কী অশোয়বা পে ষ্ট্রকচরনা মরম ওইরগা অসিগুম্বা খোঙজং অসি চঙশিল্লকপনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

নেসনল সাইন্স দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৯ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী দিরেক্টোরেট ওফ এদ্যুকেসন স্কুলস অমসুং জোনেল এদ্যুকেসন ওফিস, চুড়াচান্দপুরনা পুন্না শীন্দুনা নেসনল সাইন্স দে, ২০২০গী থৌরম দিষ্ট্রিক্ট অসিগী হিল টাউনদা লৈবা চুড়াচান্দপুর হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

ৱিমেন ইন সাইন্স হায়বা থীমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী জোনেল এদ্যুকেসন ওফিসর (জেদ ঈ ও) এন চিংখৈ অমসুং মহাক্কী ওফিসলশিং অমদি নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (এন আই টি), মণিপুরগী রিছোর্স পার্সনশিংনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিদা ৱা ঙাংলদুনা জেদ ঈ ওনা ফোঙদোকখিবদা, নুপী ওইবীশিংনা সাইন্সকা মরী লৈনবা থৌরমশিংদা হেন্না শরুক য়াগদবনি। মখোয়দা খাংবা কনবা অমসুং মায় পাকপগী চাং হেন্না লৈ। মসি হায়র স্কুলশিং অমসুং কম্পিটিটিভ এগজামিনেসনশিংগী রিজল্টদগী খঙবা ঙম্বনি হায়খি। বেটি বচাও বেটি পরাও হায়বা ৱাখল্লোন অসিসু ৱিমেন ইম্পৱারমেন্টকী মনুং চনবা ৱাফমনি। হায়রিবা অসিসু দিষ্ট্রিক্ট অসিদা মপুং ফানা লৈহনসি হায়খি।

থৌরম অদুদা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখিবা এন আই টি মণিপুরগী ডা. এল হেরোজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়ন ইনষ্টিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (আই আই টি) অসি লৈবাক অসিগী মাঙজিল থাবা ইনষ্টিট্যুট অমনি। ইনষ্টিট্যুট অসিদা মহৈরোয়শিংনা চঙগে হায়রবদি তঙাইফদনা মখোয়গী ক্লাস টেনগী এগজামিনেসনশিং পাস তৌগদবনি। হৌজিক লৈবাক অসিদা লৈরিবা সাইন্টিষ্টশিংগী মনুংদা চাদা ৩০ দি নুপীশিংনি। হায়রিবা চাং অসি মমাঙগী চহীশিংদগী য়াম্না হেনগৎলবনি হায়খি।

পি এম এ ৱাই হাউজিং ফোর ওল স্কিমগী মখাদা ট্রান্সপরেন্সি লৈনা পায়খৎপা ঙম্নবা কম্মিটি শেম্লে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৯(ঐচ এন এস): প্রধান মন্ত্রি অৱাজ য়োজনা হাউজিং ফোর ওল স্কিমগী মখাদা ৱার্দ নম্বর ৬ তা ট্রান্সপরেন্সি লৈনা থবক পায়খৎপা ঙম্নবা কম্মিটি অমা শেম্লে হায়না কম্মিটি ফোর ইমপ্লিমেন্টিং স্কিম ওফ প্রধান মন্ত্রি অৱাজ য়োজনাগী কনভিনর সী ঐচ গ্যানশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে।

উরিপোক চৈরাপ কোর্ট মমাঙদা পাউমীশিংগা উনবদা সী ঐচ গ্যানেশ্বরনা হায়খি, প্রধান মন্ত্রি অৱাজ য়োজনা হাউজিং ফোর ওল স্কিমগী মখাদা য়ুম ৫৩ দি ফাউন্দেসন লোইদুনা শেল থাদোক্লবা ক্লেম তৌরি। মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং কাউন্সীল্লরগী খুত্থাংদা সবমিট তৌবা লোইখ্রে। কম্মিটি অমা শেম্লিবা অসিদা চ্যেরমেন ওইনা এস তোম্বা খনখ্রে। কনভিনরদা সী ঐচ গ্যানেশ্বর, কো-কনভিনরদা টি ঐচ আনন্দ, এগজিক্যুটিভ মেম্বরদা কে এস ঐচ সুসিল, এস থোইথোইসনা, নুপী মেম্বর অনী মথংশিংনা এস খেলানি অমদি টি বুধিবালাসু য়াওরি। পুন্না মীওই তরেৎনি। কুমজা ২০২২ ফাওবগী মনুংদা সেন্ট্রেল স্পোন্সর স্কিম অমা ওইরিবা প্রধান মন্ত্রি অৱাজ য়োজনা হাউজিং ফোর ওলগী মখাদা ৱার্দ নম্বর ৬কী বেনিফিসরি ৫৪৩ না স্কিম অসিগী কান্নবা ফংলগনি। মসিগী মনুংদা বেনিফিসরি ৫৩ ফাউন্দেসন লোইদুনা শেল থাদোক্লবা ৱার্দ নম্বর ৬কী কোর্পোরেটর টি ইন্দ্রজিৎকী খুত্থাংদা ক্লেম তৌবা হৌখ্রে। অথুবা মতমদা রিলিজ তৌনবা মরী লৈনবশিংদা তকশিল্লি। লেমহৌরিবা বেনিফিসরি ৪০৯ রোম অসিসু মরী লৈনবা থবকশিং লৌখৎপা ঙম্নবগীদমক মীওই ৭না শাবা কম্মিটি অসি শেম্বনি।

কম্মিটি শেম্নগী খ্বাইদগী মরুওইবা মরমদি ৱার্দনম্বর ৬তা পায়খৎলিবা স্কিম অসিগী থবক থৌরমশিং মীয়ামদা য়াম্না ট্রান্সপরেন্ট ওইনা কাঙলোন চুম্না তৌবা ঙম্নবনি। কম্মিটি অসিগী ৱাখল্লোন কয়া লৈ। বেনিফিসরি ৫৪৩ গী মনুংদা হান্না শেল পুথোক্লগা ফাউন্দেসন তৌবা ঙল্লোইদবা অসি কম্মিটিসিনা করম্বা পাম্বৈ তৌরগা ফাউন্দেসনগী শেল ক্লেম তৌবা য়াগদগে হায়বা লম্বীদা পায়খৎলকপনি। থবকপায়খৎপা ঙম্নবা মিস্ত্রি অমদি মেটেরিএলশিং নীংথিনা মীৎয়েং চঙলগা থবক হৌহন্দুনা হাউজিং ফোর ওল স্কিমগী খুদোংচাবা অসি ফংবা ঙমহন্নবা কম্মিটি অসি শেম্বনি হায়নসু মখা তাখি।

সনা কোনুংগী কুরাক লমতাইবা থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৯ (ঐচএনএস): নিংথৌগী মশিল মনুং চন্না চহী খুদিংগী লমতা থাগী অহানবদা পাঙথোকপা সনা কোনুংগী কুরাক লমতাইবা থৌরম পাঙথোকখ্রে।

উত্রা শঙলেন সনা কোনুংনা শীন্দুনা পাঙথোকপা কুরাক লমতাইবগী থৌরম অহানবদা খুরাই অহোঙ্গৈ পূংদা পাঙথোকখি। মথংদা ৱাংখৈ পূংদা পাঙথোক্লবা মতুংদা খ্বাই তেরা ৱাংথোনবী পূংদা পাঙথোকখি। তুংদা ককৱা শৌদোংপূংদা পাঙথোকখি।

থৌরম অদু উত্রা শঙলেনগী ফম্লাইবশিং, লাইফম লাকপা, মাইচৌ অতোনবা, অমাইবা-অমাইবী, পেনা অশৈবা অমদি মীয়ামগা লোয়ননা পাঙথোকখি।

এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৯ (ঐচএনএস): ককচিং দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন্না গ্রেস রিচ একাদেমী, হিয়াংলম অমদি য়ুরেকা থৌনাওজমদা মহৈরোয়শিংগী এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

গ্রেস রিচতা ক্লাস নাইন অমসুং টেনগী মহৈরোয় ৪০০ রোম শরুক য়াখি। য়ুরেকাদা মহৈরোয় ৩০০ লোম শরুক য়াখি। থৌরমদুদা কে এ দি য়ু সী ওগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ চাওবনা চীফ গেষ্ট, পি ঐচ নন্দো লুৱাংনা গেষ্ট ওফ ওনর অমদি ঈ জয়না থৌরম মপু ওইখি। রিছোর্স পার্সন ওইনা ডা. ধনবির লাইশ্রম, জিতেন য়ুম্নাম অমদি ঐচ কেশ্বরজিৎনা ৱা ঙাংখি। চিলদ্রেন করিয়র, নেচরেল রিছোর্স অমদি বেঙ্কিং নোলেজ হায়বা হীরমদা ৱা ঙাংখি হায়রি।

ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স দে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৯ : কংলৈ ইমা লূপ (কিল)না মালেমগী নুপীশিংগী নুমীৎ ইন্টরেনসনল ৱিমেন্স দে চহী অসিগী মার্চ ৮দা পাঙথোক্লগনি হায়না কংলৈ ইমা লূপগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি লৈশাংথেম শান্তনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স দে অসিদা কংলৈ মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু লোয়ননা শরুক য়াবীয়ু। মালেমগী নুপীগী নুমীৎ অসিগী নুংগী ৱারোলদা আই এম জেনরেসন ইক্বেলিটি, রিলিজিং ৱিমেন্স রাইট, নুপীশিংগী মান্নবা খুন্নাই অমদি ঐখোয় নুপীশিংগী হক হায়বা থীমদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা কংলৈ ইমা লূপনা কংলৈপাক অসিদা লৈরিবা মীয়ামগা লোয়ননা মণিপুর প্রেস ক্লবতা থৌরম অসি অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদগী পাঙথোকচগনি।

এদভোকেসি কম ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৯(ঐচ এন এস): মিনিষ্ট্রি ওফ ট্রাইবেল এফেয়র্সনা লোঞ্চ তৌখিবা প্রধান মন্ত্রি বনধন য়োজনা স্কিমগী মখাদা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংগীদমক নোংমগী ওইবা এদভোকেসি কম ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা সাদু চিরু বেপটিষ্ট চর্চ এন্দ জে এফ এম সী ৱার্কসেদ কম গোদাউনদা পাঙথোকখ্রে।

দিভিজনল ফোরেষ্ট ওফিসর, বিষ্ণুপুর ফোরেষ্ট দিভিজন মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা এদভোকেসি কম ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট সোনমুং, দিভিজনল ফোরেষ্ট ওফিসর ডা. রেবিকা সোইবম অমদি সাদু চিরু ভিলেজগী চীফ দোরোইখানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ট্রাইবেল ইন্টরপ্রাইসশিংনা পুথোরকপা ফোরেষ্ট প্রদ্যুসশিংবু মার্কেটিং অমদি ব্রান্দিং তৌদুনা পোথোকশিং অসিগী ভেল্যু এদেদ তৌনবগী পান্দমদা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকখিবনি। ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা সোনমুংনা ফোঙদোকখিবদা, বনধন বিকাশ কেন্দ্র হায়বসি ফোরেষ্ট রিছোর্সকী দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম হায়বনি। প্রোগ্রাম অসিগী মখাদা ট্রাইবেল মীয়াম্বু হেন্না চাউখৎহন্নবা হোৎনবা অমদি রেভিন্যু জেনরেট তৌনবা হোৎনগদবনি। মসিদা নত্তনা চীংগী লমদা ফংবা হৈ-রা অমদি এন্সাং-নাপীশিংবু রো ওইনা মার্কেটতা য়োনবগী মহুৎতা স্কিম অসিগী মখাদা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংনা হৈ-রা নৎত্রগা এন্সাং-নাপীশিং অসি প্রোসেস তৌদুনা কুইনা থম্বা য়াবগী মওংদা পুথোকপা চঙই। মার্কেটতা য়োল্লবদি হেন্না ইনকম জেনরেট তৌবা ঙমগনি। স্কিম অসিগী মখাদা শেম্লিবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংনা থবক ফজনা তৌদুনা মীয়ামগী থাজবা মাঙহন্দনবা হোৎনবীয়ু। সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংগী মরক্তা হেন্দি ওইবা কম্পিটিসন তৌদুনা স্কিম অসিগী কান্নবা চপ চানা লৌবীয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

এদভোকেসি কম ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখিবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংদা ফুদ প্রোসেসিংদা চঙবা ইক্বিপমেন্ট মখল ২২ অমদি হেন্দিক্রাফ্টকী ইক্বিপমেন্ট মখল ১৬ পুন্না ৩৮ য়েন্থোকখি।

FORM IV

Statement about ownership and other particulars about newspaper **HUEIYEN LANPAO**.

1. Place of publication - Imphal
2. Periodicity of its publication - Daily (Morning)
3. Printer's Name - SOUBAM NILADHAJA SINGH
   Nationality - Indian
   Address - Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, P.O. & P.S. Imphal, District Imphal West, Manipur - 795001
4. Publisher's Name - Soubam Niladhaja Singh
   Nationality - Indian
   Address - Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, P.O. & P.S. Imphal, District Imphal West, Manipur - 795001
5. Editor's Name - Thounaojam Birdhaja
   Nationality - Indian
   Address - Keishamthong Hodam Leirak, P.O. &P.S. Imphal, District Imphal West, Manipur - 795001
6. Names and addresses of individuals who own the newspaper and partners or shareholders holding more than one per cent of the total capital. - Individual

I, Soubam Niladhaja Singh, hereby declare that the particulars given above are true to the best of my knowledge and belief.

Imphal,
Date 29/02/2020

(SOUBAM NILADHAJA SINGH)
Publisher
HUEIYEN LANPAO

সী বি আইনা ফাখিবা সিনিয়র একাউন্টেন্ট জেনরেল কোর্টনা বেল পীখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৯(ঐচ এন এস): সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)গী এন্টি-করপসন ব্যুরো, ইম্ফালনা প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্ট, ১৯৮৮গী মখাদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা ফাখিবা একাউন্টেন্ট জেনরেল (এ জি) ওফিস, ইম্ফালগী সিনিয়র একাউন্টেন্ট য়ুম্নাম শরত কোর্টনা বেল পীখ্রে।

স্পেসল জজ (এন্টি-করপসন), ইম্ফাল ইষ্টনা পীখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না মহাকপু লুপা লাখ ১গী পর্সনেল রিলিজ (পি আর) বোন্দ অমসুং মসিগা মান্নবা স্যুরিটি অমগদা কেস অসিদগী বেল পীখিবনি। মহাক্কী মথক্তা সী বি আইনা মহাক্কী অখঙবা ইনকমগা চান্নদবা মওংদা কুমজা ২০১০দগী মমাংগী কুমজা ২০১৯ ফাওবগী মনুংদা লুপা ১,৪০,৩৭,৩৮৭কী লন-থুমশিং লেপশিল্লম্মী হায়বগী চার্জ তৌখিবনি। লোয়ননা মসিগীদমক মহাক্কী মথক্তা প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্ট, ১৯৮৮গী সেক্সন ১৩ (২) অমসুং ১৩ (১) (বি)গী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখিবনি। কেস অসিগা মরী লৈননা সী বি আইগী মশীং য়াম্লবা পর্সনেলশিংগী টিমশিংনা মহাক্কী ৱাঙ্খৈ অঙোম লৈকাইদা লৈবা য়ুম য়াওনা ওফিসতা মমাং থাগী ৩১গী অয়ুক্তগী হৌরগা নুমিদাং ফাওবা রেইদ চথুখিবনি।

রেইদ অদুদা সী বি আইনা য়াম্লবা বেঙ্ককী পাসবূকশিং, পেন্সন বূক ৭৮, এ টি এম কার্দশিং, চ্যেক বূকশিং, ইন্স্যুরেন্সকী দোক্যুমেন্টশিং, ইম্মোভেবল প্রোপর্টিশিংগী দোক্যুমেন্টশিং, শেল ওইনা লুপা ৩১,১৪,৭১০ অমসুং সনাগী লৈতেংগী পোৎলমশিং রিকোভর তৌখিবনি। লোয়ননা মহাক্লা কুমজা ২০১৬তা লুপা ক্রোর ১.১৯ পীবা আর সী সীগী মথোল অহুম লৈবা বিল্ডিং অমা ৱাঙ্খৈ অঙোম লৈকাইদা লৈশিনখি হায়বা য়াওনা ন্যু চেক্কোনগী হাফিস হট্টাদা আর সী সীগী মল্টি ষ্টোরি বিল্ডিং অমসু শাগৎপগী থবক চথুরি হায়বা খঙবা ঙমখিবনি।

AA Education EMPOWERING YOUTHS

AHELBA ACADEMY
OF COMPETITIVE EXAMINATIONS
KEISHAMPAT JUNCTION OPP-CCPUR PARKING 8794341383/9383071303

GENERAL FOUNDATION COURSE (GFC)
FOR BANKING, SSC & OTHER COMPETITIVE EXAMS
Class starting on 20th February, 2020
Class Commencing for
SBI CLERK- 2020 & SSC CGL/10+2

Class Timing :- MORNING - 6:30-11:00am NOON – 12:00 – 2:30pm

MATHS FOUNDATION
COURSE: 3 Months
20th February 2020 : 9:00 – 11:00am

ENGLISH & REASONING
FOUNDATION
COURSE: 3 Months
20th February 2020 : 6:30 – 8:300am

HL-B/6036/10feb to 9 march